ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবমনা লুচিংবা মীহুৎ ৪না গভর্ণর উন্নদুনা এম ও এনা চত্থরকপা থবকশিং পাউদম্বগা লোয়ননা মণিপুরদা স্পোর্টস চাওখৎহন্নবা থবক পায়খৎপীনবা হায়জখিবা


লৌশিং পূক্কে : কাঙনা শন্দোকপনি খন্নরম্বা... লামায় ২

লামায় ৪ কুকিলেন্দ পোলিটিকেল এজেন্টকী মচা-মশুদগী ...

ঐগী ইয়ুম, ঐগী পোক্লফম ইখুঙ্গং... লামায় ৫

লামায় ৬ ঐখোয়গী কলচরগী মচাকশিং মাঙহন্দনা কন্নবা...

বিহার এসেমব্লিগী অনিশুবা ফেজগী মীখল... লামায় ৯

লামায় ১২ প্রতাপ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টঃ সী আই...


অন্দ্রোগী চীংঙাখম রাধাপ্যারিনা শীন্দুনা অন্দ্রো খুনৌ লৈকায় লম্পাক্তা পাঙথোকপা মণিপুরী কলচরেল জগোয়, অন্দ্রোগী অহানবা ফাউন্দেশন দেদা আর্টিষ্টশিংনা পীখিবা জগোয়গী পর্ফোর্মেন্স




Vol. 49, Issue No. 217 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 11, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# দেল্লীগী রেদ ফোর্ট মেত্রো ষ্টেশনগী গেট নম্বর ৱান মনাক্তা প্লান্ট তৌরম্বা মপাঙ্গল কল্লবা কার বোম ১ পোকখায়বদা ১৩ শিরে, ২৫ হেন্না শোক্লে

### থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে, হোম মিনিষ্টরনা সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংদা পাউতাক পীখ্রে



ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা দেল্লীগী রেদ ফোর্ট মেত্রো ষ্টেশনগী গেট নম্বর ৱান মনাক্তা মপাঙ্গল কল্লবা কার বোম অমা পোকখায়রকখিবগী শক্তম (ফোটো - এজেন্সী)

**ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী) :** চৎলিবা থা অসিগী ৭তা লৈবাক অসিগী নেশনল সোং ওইরিবা 'বন্দে মাতরম' বু য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা শক্তুনা নীংশিংহনবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রবা মতুং ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী মী খ্বাইদগী য়াম্না কুংবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কেপিটেল সিটি দেল্লীগী রেদ ফোর্টগী মেত্রো ষ্টেশনগী গেট নম্বর ৱান মনাক্তা কার অমদা প্লান্ট তৌরম্বা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা পোকখায়হল্লকপদা থৌদোক থোকফমগা নক্লনা লৈবা মীওই ১৩ লৈখিদ্রে অদুগা অতোপ্পা মীওই ২৫গী মথক্তা অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা বোম পোকখায়ফমগা নক্লনা খাম্বা গাড়ী খরসু মৈনা চাকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা খঙহৌদনা থোরকখিবনি হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা মফম অসিদা বোম পোকখায়দুনা মৈ চাক্লে হায়বগী পাউ দেল্লীগী ফায়র সর্ভিসতা পীরকপদগী পন্থদনা ফায়র ষ্টেশন অসিদগী ফায়র টেন্দর ৭ চঙশিন্দুনা চাক্লিবা মৈশিং মুত্থৎতুনা কন্নবা হোৎনখি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা দেল্লী পুলিসকী কম্মিস্নরদা থৌদোক অদুগী মতাংদা য়েংশিন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টরগসু থৌদোক অসিগী মতাংদা তোয়না পাউ ফাওনখি হায়না পাউগী এজেন্সী অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

থৌদোক থোকফমদা ফায়র সর্ভিসকী পর্সনেলশিং খক্তা নত্তনা নেশনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি), নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী (এন আই এ) অমসুং ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংসু মথৌ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### বি জে পিগী বি এল সন্তোশ খোঙচৎকী মাঙওইননা মীফম পাঙথোকখ্রে

# বি এল সন্তোশতমক লাক্কদ্রা, সম্বিত পাত্র য়াওরক্কদ্রা বি জে পিগী এম এল এ ১নদি সন্তোশতমক লাক্লবা য়াই হায়রি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

হয়েং পাঙথোক্কদবা বিহার লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনীশুবা অমসুং অরোইবা ফেজগী মীখল মতুং থা অসিগী ১২দা বি জে পিগী মরু ওইবা সেন্ত্রেল লিদরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পার্টি অসিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোশ ইম্ফালদা লাক্নুনা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী চলাইরক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লোইশিল্লগা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লৈঙাক অমা শেম্বা নৎত্রগা শেমদবগী মতাংদা লৈখাই তারগনি হায়রবসু মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা পার্টি অসিগী নেশনল স্পোক্সপর্সন ওইবদা নত্তনা নোর্থ-ইষ্টকী কো-ওর্দিনেটরসু ওইরিবা সম্বিত পাত্রসু য়াওরক্কদ্রা নৎত্রগা য়াওরক্লোইদ্রা হায়বগী ৱাফম লৈখাই তাখিদ্রি।

অদুম ওইনমক ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেন্দা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পার্টিগী লুচিংবা বি এল সন্তোশকী খোঙচৎকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে হায়রি।

অদুবু মীফম অদুদা করি-করম্বা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা খন্নখিবগে অমদি পার্টি অসিগী মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবা কনা-কনা শরুক য়াখিবগে হায়বদুদি ওফিশল ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

পাউচে অসিনা ঙসি পার্টি অসিগী থৌপুবশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখি হায়রিবসিগী মতাংদা বি জে পিগী এম এল এ অমদা হংবদদি মহাক্তি পার্টি অসিগী মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবা অমা নত্তবনিনা মীফম অদুদা শরুক য়ানবা খঙহল্লকপা লৈতে। অদুবু মীফম অমা পাঙথোকখি হায়বদি তারে। অদুবু মীফম অদুদা করি-করম্বা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা খন্নখিবগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদে হায়রকখি।

এম এল এ অসিদা পার্টিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোশনা লাকপদা সম্বিত পাত্রসু লোয়নরক্কদ্রা নৎত্রগা লোয়নরক্লোইদ্রা হায়না হংলুবদা মহাক্কী মায়কৈদগীদি জেনরেল সেক্রেটরি খক্তমক লাক্কনি হায়বগী পাউ ফংই। মসিগী মতাংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি অমনা নোটিস অমা পীরক্লে। নোটিস অদুগী মতুংইন্না থা অসিগী ১২গী নুংথিল পুং ১.৩০দা থম্বাল শঙলেন্দা সেন্ত্রেল লিদর অসিগা লোয়ননা মীফম পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা শরুক য়ারনবা খঙহল্লক্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

মরম অসিনা বি এল সন্তোশকী খোঙচৎ অসিদা পার্টি অসিগী অতোপ্পা লুচিংবা খরগা পূন্না লাকমিন্নগদ্রা নৎত্রগা লাকমিন্নরোইদ্রা হায়বগী ৱাফম লৈখাই তাখিদ্রি।

## অসাম লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না নুপী ২ লোনবা থিংনবগী বিল অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস):**

চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা লুচিংলক্লিবা অসাম লৈঙাক্কী ঙসি পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম্না ষ্টেট অদুদা নুপা অমনা নুপী অনী লোন্দুনা য়ুম্বানমিন্নবদা অথিংবা পীনবগী বিল 'দি অসাম প্রোহিবিশন ওফ পোলিগেমি বিল-২০২৫' অয়াবা পীখ্রে।

কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীরবা বিল অসি অসাম এসেমব্লিদা খন্ননবা থা অসিগী ২৫দা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি মীফমদা পুথোক্লগনি হায়রি। অদুম ওইনমক বিল অসিনা অসামদা লৈবা এঠনিক ফূরুপশিং অমসুং সিক্স সেদ্যুলগী মখাদা লৈবা মীওইশিংদি কোনশিল্লোইদৌরি।

### থা ৮ খক্তা ঙাইখিবা লমঙানবা য়াওনা মীওই ৬ হাৎখিবা চহী ফাজিল্লক্লে

## ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী য়ূমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎপীয়ু : জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেশন

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী অমরোমগী মমাঙ নবেম্বর ১১, ২০২৪গী নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা জাকুরাধোর কারোংদা লৈবা মীতৈশিংবু মার-কুকি টেররিষ্টশিংনা অকনবা এটেক চত্থরক্তুনা মীতৈশিংগী য়ুম অমসুং দুকানশিং মৈ থাদোরকপদা মীওই অনী লৈখিদবা খক্তা নত্তনা থা ৮ খক্তা ঙাইখিবা লাইশ্রম লমঙানবা, মহাক্কী ময়াম্বা অমসুং মমা য়াওনা মীওই ৬ ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা তমথীনা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকখিবা থৌদোকশিং চহী অমা ফাজিল্লক্লে।



অঙাং অহুম অমসুং অঙাংশিং অসিগী মমা অনী য়াওনা মবোক্কা কোন্ননা ফাদুনা পুখিবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা জিরি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### এম পি এস সীনা পাঙথোকপা 'ম্যেন' এগজামিনেশন-২০২২গী ৱাথোক

# থৌদোক অসি য়াম্না শাথীনা লৈবাক মচা তাদবা থৌওং অমনি হায়না লৌই : মহৈরোয় লূপ তরুক

### 'প্রোসিজরেল ফেলিয়র' গীদমক মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিশননা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি : এস এস য়ু এম





**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিশন (এম পি এস সী) না লৌদুনা পাঙথোরকপা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিশিভ (ম্যেন) এগজামিনেশন ২০২২গী ঙরাং হুম্লি চনবা অরোইবা নুমিৎতা নুংথিলদা পাঙথোক্কদবা পেপর ফোর (জেনরেল ষ্টদিজ-ফোর) গী ক্বেশনবু অয়ূক্তা পাঙথোল্লবা থৌরাংখিবা পেপর অসিগী 'জেনরেল ষ্টদিজ-থ্রী' গী মহুত্তা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিংদা য়েম্বোল্লকম্বদগী এগজামিনেশন কেন্সেল তৌদুনা পাঙথোকখিদবা অমসুং নৌনা পাঙথোল্লবা মতম অমা লেপখিবা মথোং হুক্তবা থৌওং অসিবু মহৈরোয় লূপ তরুক (ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন-এমসু, মণিপুরী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দেঙ্গি : অনৌবা কেস ১১৬

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস):**

ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গিগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১৬ থেংনরে হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট-৭৯, ইম্ফাল ইষ্ট-২৮, বিষ্ণুপুর-২, থৌবাল-৪, উখ্রুল-১ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা ২ থেংনবনি হায়রি।

ঙসি নৌনা থেংনবা পোজিটিভ কেস ১১৬ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা লায়না অসিগী অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৪৬৭৭শুরে হায়রি।

অদুগা ঙসি ফাওবদা ফেরজোল অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনদ্রবসু লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ১৪দা থেংনবা কেসশিংগী মশীংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট-৩২৩৬, ইম্ফাল ইষ্ট-৯৪৬, বিষ্ণুপুর-১১৩, ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### মণিপুরগী ভাইওলেন্স থিজিন্নবা শেমখিবা কম্মিশন ওফ ইনক্বারি

# জষ্টিস অজয় লম্বাদা নবেম্বর ২০ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎনবা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্তুবদগী হায়ৱেশিংদা অকক্লবা ফূরুপ খরগী মীওইশিং চৎথোক-চৎশিন য়াদবগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিংসু মপূং ফানা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রিদৈঙেগী চৈরক্তা সুপ্রিম কোর্টকী পাউতাক মতুংইন্না মণিপুরগী ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং থিজিন্নবা শেমখিবা জষ্টিস অজয় লম্বানা চেয়রমেন ওইবা কম্মিশন ওফ ইনক্বারি (মণিপুর ভাইওলেন্স) না মসিগী রিপোর্ট য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পীখৎপীয়ু হায়না তকশিনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লানগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী মনুংদা মফম অমদা য়ুমশিং মৈ চাকখিবা (ফাইল ফোটো)

## বি জে পিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরিগী খোঙচৎ অসি ইচম চম্বা ওইরোই : বিরেন

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মতম কুইরবগী তুংদা মণিপুরগী ৱাথোক লাম্বোক মরক্তা নুমিৎ নীনি-হুম্নিগী খোঙচৎতা লাক্কদৌরিবা বি জে পিগী নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোশ অমদি নোর্থ ইষ্টকী ইন-চার্জ সম্বিত পাত্রগী খোঙচৎ অসি ইচম চম্বা খোঙচৎ ওইরোই হায়না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা মে ৩, ২০২৩দগী থোরকখিবা ঈরাংনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেল্লকপদা খ্বাইদগী অৱাবা মায়োক্লখিবী মশা লূল্লবী নুপীশিংবু মতেং পাংবা ওইনা খুমন লম্পাক্কী য়ুথ হোষ্টেলদা হাংবা মশা লূল্লবী নুপীশিংগী রিলিফ কেম্পপু ঙসি ক্লোজ তৌশিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, ঈরাংনা মরম ওইরগা মণিপুরগী য়াম্না লুরবা-চিরবা, লম্বী-সড়কতা মী চৎনবা য়াদ্রবা মতমদুদা মশা লূল্লবী নুপীশিংবু মতেং পাংনবা অমদি তাইবঙ ফাওনদ্রিবা পীবুক্কুংদা লৈরিবা অঙাংশিংবু তেক্ত-কায়দনা তাইবঙ ফাওনহন্নবগী পান্দমদা মে ২১, ২০২৩দগী মশা লূল্লবী নুপীশিংগী অখন্নবা বি জে পিগী রিলিফ কেম্প অসি হাংদোকখিবনি।

কেম্প অসিদা পূন্না মীওই ৬০৯ লাকখি। লাইবক ফব্বদি কেম্প অসিদা অঙাং ফাইবোক ৫ য়াওরগা পূন্না অঙাং ২০১ অশোয় অঙাম য়াওদনা উন্নখি। অঙাং ২০১গী মনুংদা ১০২না নুপীমচানি। অদুগা ৯৯না নুপাচানি।

রিলিফ কেম্প অসিদা অয়ূক নুংথিল খাক্তনা মশা লূল্লবী নুপীশিংবু মতেং পাংখিবা মীওইশিং পুৱারীদা ইদুনা লৈহৌরগনি। ডাক্তর অমদি নর্সশিংনা মশা লূল্লবীশিংগীদমক লৌখিবা থৌদাংবুসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## হৈরোক পার্ট টু মেলৈ তম্পাক্তগী খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংলে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা হৈরোক পার্ট টু মেলৈ লম্পাক্তগী খূৎশু-খূৎলায়শিং রিকোভর তৌরে হায়রি।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়বদা রিকোভর তৌরবা খূৎশু-খূৎলায়শিং অদুদি মেগজিনগা কোন্নবা এস এল আর অমা, মেগজিনগা কোন্নবা স্নাইপর রাইফল অমা, দবল বেরেল রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, তোঙান তোঙানবা মেগজিনগী নোংমৈ অহুম, পোইন্ট ৩৬কী হায় এক্সপ্লোসিভ গ্রেনেদ অহুম, পোইন্ট ৩০৩ রাইফলগী মরূ ১০০, মোটোলোরা হেন্দসেট অমা, চার্জর অমগা কোন্নবা বাউফেং হেন্দসেট মরি অমসুং দবল বেরেলগী কোভর অমনি হায়রি।

## য়ু জি ২ ফারে, নোংমৈ ১সুং শেল ফংলে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী নিংথৌজম ইনাওচা এলিয়জ পালর এলিয়জ পান্দম্বা (৪০) কৌবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট টু চীংদোম্পোক্তগী কাদর অমা লমজাও মখা লৈকায়গী পূখ্রি অচৌবা মনাক্তগী ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

মঙোন্দগী মেগজিনগা কোন্নবা পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল অমা, নোংমৈ অসিগী মরূ অহুম, আই দি কার্দ অমা, সিম কার্দ অনী য়াওবা মোবাইল ফোন অমা, টু হ্বিলর অমা অমসুং লুপা ৪১,২০০ য়াওরম্বা পর্স অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি য়ু পি পি কেগী য়ূম্নাম অরুন এলিয়জ অবতার (২৭) কৌবা কাদর অমা ৱাইখোম পি এসকী মনুং চল্লিবা লাংমৈদোং মনীং ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ময়ূমদগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

## কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং পুলিসনা কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি গী খুমন্থেম প্রোমিলা (২২) কৌবী নুপী কাদর অমা পাৎশোই পি এসনা কোল্লিবা খুম্বোং কৈথেলদগী ফারে হায়রি। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লংথবাল খুনৌ খোংজোমদগীনি, হৌজিক্লা কৈশাম্পাৎতা লৈরবীনি। মঙোন্দগী টু হ্বিলর (সুজুকি এসেস) এম এন-০৬/এস ঈ-০৩২৫ অমা, মোবাইল ফোন অমা, শেল য়াওবা বেগ অমা, পান কার্দ অমা অমসুং আধার কার্দ অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

## থৌরী য়ান্দুনা লৈখিদ্রবী মোইরাংথেম ইচলনা নাওপুরম্বা অঙাং নুপা ওইরপ্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা কুম্বী পি এসনা কোনবা কুম্বী সেতুপুর মমাঙ লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ূমদা থৌরী য়ান্দুনা লৈখিদ্রবী থা ৭কী অঙাং নাওপুরবী মোইরাংথেম ইচল এলিয়জ অমুস্না (২২) মপুরোইবা এম নাওচানা নাওপুরম্বা অঙাং অদু নুপা ওইরপ্লে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল রিমসকী মীরেলশঙদা মহাক্কী হকচাং এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমা য়াওনা ভিদিও রেকোর্দিং তৌরগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন পাঙথোকখ্রে।

পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন অসিদা মহাক্না নাওপুরম্বা অঙাং অদু নুপা ওইরম্বা থেংনখিবনি। অদুম ওইনমক ঙসি মহাক্কী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌরবসু মহাক্কী মপুরোইবা এম নাওচাগী ইমুংগী মীওইশিং লাক্তবগা লোয়ননা নুপী ময়ূম অমসুং নুপা ময়ূমগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তবদগী হকচাং অদু লৌদুনা অরোইবা মথৌ মঙম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# আই দি পিশিংগী অদু তৌনি, অদা তৌনি হায়জরবসু থবক ওইনা পাঙথোরক্তুবনিনা কোক ফাওবা ঙাওশিল্লক্লে : ইবেমহল

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**মোটবুং কোলেজ মমাঙদগী খুঞ্জা**

(হান্নগী মখা...) মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী হৌরক্লগা নুমিৎ অদুগী নুমিদাংৱাইরম অমসুং অথেংবা অহিং ফাওবদা লাম্নৈদৌনা অনকপা অমসুং অরাপ্পা মফম কয়াদা শন্দোরকপদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকা শাইজিন লোন্নরিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুংদসু য়ৌশিল্লক্তুনা মফম অদুগী মোটবুং কোলেজ মমাঙদা মশাগী পাট্টা লমদা লৈজরক্লবসু কুকিশিংনা কিহন-খংহনবদা নত্তনা য়ূম-কৈ মৈ থাদোরকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা লৈঙাক্কী মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা হৌজিক ফাওবা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৭২ শুরবী নামৈরাকপম ইবেমহলনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, তশেংনা হায়রুরগদি মীপূম খুদিংমক্লা খোই মহুম উবদা চঙশিন্দুনা খোইহি লোক্লিংবনি অদুবু খোইহি লোকপগী মহুত্তা খোই মহুমদুদা চৈনা থিল্লুরবদি খোই ময়াম পাইথোরল্লগা চিকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি। মখোয়না ঐখোয়বু তাম্বোরকখিবা থৌওং অদুদি ঐখোয়গী লন-থুম মখোয়গী ওইহৌবা য়ানবগীদমক খোই লোক্লবা খোই মহুম মৈ থাদুনা তাম্বোরকপগী থৌওং চত্থরকখিবনি। অদুগা ঐখোয়না ইশাগী য়ুম ইঙ্খোল থাদোক্তুনা চেল্লক্লুবা মতুংদা ঐখোয়গী লন-থুম পূম্নমক মখোয়গী ওইহৌবনি।

মীতৈগী য়ূম-কৈ মৈ থাদোক্লগা ঐখোয়বু মোটবুংদগী তাম্বোরকখিবনি। মরম অসিনা হৌজিক রিলিফ কেম্পতা অসুক কুইনা লৈরক্লিবসি পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইগে হায়বা ঙমদে। অৱাবা ৱাখল খল্লরোই হায়বা য়াদে। মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাংদুদা কুকিশিং অদুনা ঐখোয়দা ওনশিল্লগা 'মীতৈ হাৎলো' হায়বা খোল্লাও লাউরকপদগী পুমনিল নিনখিবা থৌদোক অদু অঙকপগী মশক্লি। ঐদি অহলসু ওইবনিনা মোবাইল ফোন পায়বসু হৈতে। অদুবু মীতৈশিং মথং মথং হৌনদুনা থৱায় হিংনবা চেল্লসি হায়দুনা চেনবা হৌরকপদা ঐসু য়াওরকখিবনি।

নুমিৎ অদুগী অহিংদুদি মোটবুংদা লৈবা অসাম রাইফল্সকী কেম্পতা চেনশিন্দুনা লেল্লকখি অদুবু অসাম রাইফলশিং অদুনা মখোয়গী কেম্পতা মীতৈ ঐখোয় লৈবা ফাওবদা মবুক্লিং লূমদবা মাল্লি। ঐখোয়বু সেকমাই ফাওবা থিন্দোরকখি। হৌজিক্তি হৌখ্রবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা হায়রুদুনা কান্নবা লৈত্রে। অমরোমদনা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লুবা য়াশিন্নবগী মমি উদ্রি। মরম অসিনা ঐখোয় করম্বা মতমদা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনগনি হায়বা খঙবা ঙমদ্রি হায়রকখি।

## নহা ৩০ খনগৎখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** লোক্তাকতা লৈবা ৩২- সী আর পি এফনা আই জি (মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টর) গী মখাদা পোটরস হাউস এদ্যুকেশননা শীন্দুনা একলব্য মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামদা চয়োল ৪গী ত্রেনিং পীনবা নহা ৩০ খনগৎখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫